# মণিপুরগী অনীশুবা চীফ মিনিষ্টর মহারাজকুমার প্রিয়ব্রতা সিংহ

## (ফে: ১৭, ১৯১১-ওক্টোবর ২৯,২০০৫) (অহুমশুবা শরুক)

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**মাও এরিয়াদা** এ ডাইহোনা ঈরাং তৌবা অসি লাকশিনবগা লৈঙাক্কী পূক্লিং অসি মিষ্টর টোনা এক্স-সার্ভিসমেন অমনা পার্বুং অমসুং টিপাইমুখ অসি লুশাই হিলসতা তিনগদবনি হায়বগী ঈরাংসি লাকশিন্নবা পূক্লিং চঙলম্মী। মহাকসি সেনবোন ভিলেজ টিপাইমুখতগীনি। মিজো য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টনি। ঈরাং অসিবু নমথনবা পি বি অমসুং বোব (রাজকুমার প্রিয়ব্রতা অমসুং মেজোর খতিং) অনীনা মফম অদুদা খোঙনা চৎতুনা টোনাগা ৱারী শান্নখি। চুড়াচান্দপুরদগী মিষ্টর টি সী টিয়ামখান স্পিকর অসিনসু মখোয়গী মতেং পাঙখি। মখোয় অহুম্না থেন্বদা টোনা মুক্নবা তোক্তুনা থবক অমা হাপখি। মাবু সব-দেপ্যুটি কলেক্টরগী পোষ্ট অসিদা থবক হাপ্পদা হরাউনা য়াখি।

তমেংলোং এম ঈ স্কুলগী ষ্টাফশিংনা থা অমদা চয়োল অমদি ব্রেদ (চাক এঞ্জাং) থিনবা ছুটি পিবিয়ু হায়বা ৱাফম অমা খন্নরম্বা থেংনৈ। মসিগী মতাং অসি কাউন্সিল রিজোল্যুসন নম্বর ৩৯ ওফ ২৭.১.৪৯ য়েংলগা খঙগনি।

39. Pay — To consider Hill M's Menu No. 6240 Hill/orgn. dated 19.1.49 forwarding the application filled by Tamenglong M. E School staff asking for the grant of one week every month to search for their daily bread.

Their grivances will be considred in the next budget discussion.

মতমদুদা এন্টি করপসন অমা শেম্নবা মতাং অসি মখা কাউন্সিল রিজোল্যুসন ৪৮ ওফ ২৪.২.৪৯ অমসুং c.r. 46 of 2.3.49 অনীসি য়েংবদা হেন্না ময়েক শেংগনি।

Council Resolution No. 48 of 24.2.49

48 : To consider the formation of one committee of Anti corruption.

An Anti Corruption Committee be formed. Members to serve on it be nominated later.

Council Resolution No. 46 of 2.3.49

46: To reconsider CR No. 48 of 24.2.48 along with an application filed by Sjt. N. Ibomcha Singh about the formation of Anti-Corruption Committee.

The following be nominated to serve as the Anti-Corruption Committee. It will form its own constitution which will have the approved of the Council. It will devise means and ways and take necessary action to detect Corruption.

Members will be honoury ones:

Sjt : N. Ibomcha Singh

Sjt : S. Indramani Singh

Mr. : Ng. Mano M.L.A.

Mr. : Laying M.L.A.

Manipur state Budget for the year 1949-50 দা পোলো প্লেয়র ৭তগী তলব থাদা লুপা ১৫ পীবগী চাংদা চহীগী ওইনা লুপা ১২৬৪ য়াওরি। পোলো শান্নরোয়শিংগী 2nd Pony allowance হায়দুনা থাগী ওইনা লুপা ১৪ চহীগী ওইনা লুপা ১৬৮ হাপ্লি। অদুগা Sanjoi Sarma's horse excellence allowance Vide P.M.SD's order No. 154 of 25.6.48 হায়দুনা থাগী ওইনা লুপা ৫ চহীগী ওইনা লুপা ৬০ হাপলি।

ষ্টেট অসিদা এঞ্জিনিয়র ওইরম্বা Mr. CF. Jeffrey না Austrian University অমদা Scholarship পীনবগী মতাংদা Council Resolution No. 9 of 2.3.49 দা য়াওরি।

9 : To consider a letter dated 27.1.49 from Mr. C.F. Jeffrey Esqr. to M.K. P.B. Singh asking that he is providing a sufficient money for a scholarships in perpetuality for the training of Manipuries specially in Engineering, Medicines, Agriculture, Forestary or Education.

The council wishes to place on record its deep sense of gratitudes to C.F. Jeffrey Esqr. for his gift. The council approves of the scheme of scholarships mentiones by Mr. Jeffrey. The Scholarships will be named "Jeffrey Scholarships".

Sir Akbar Hydari অসিগী মোংফমদা লৈকোল শেমগৎনবা 4th Assam Rifles গী কম্মান্দেন্টনা ইরকপা চিঠিগী মতাংদা কাউন্সিল রিজোলুসন নম্বর ২৮ ওফ ২৭.৪.৪৯দা অসুন্না ইরি:

28. Sir Akbar Hydari's grove flower garden — To consider Commdt. 4th Assam Rifles DO No. 1216/ VIII 3 (I) Dated 4.3.49 and 2326-30 VII-3 (I) of 19.4.49. on the subject of flower garden etc. round the grove of late Sir Akbar Hydari.

The garden round the tomb of late Sir Akbar Hydari will be maintaned by the state. Kangla is a historical place for the Manipuries and this state desire to its areas as interesting as possible. The Govt. of India has already been approached for allowing the state to repair the old monuments in that are and a committee has been formed for the work.

A sum of Rs. 5000/- be earmarked in the budget for opening and maintaning public gardences and parks.

মঙারক কান্থী হায়দুনা থৌরি য়ান্দুনা শিবা হুন্দোকপদু রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়ানি হায়দুনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টরনা পুখৎলকপা ৱাফম অমা কাউন্সিলনা খন্নবদু Council Resolution No. 41 of 21.9.49 অসি য়েংলগা খঙগনি:

41: Dead bodies throwing place — To consider Forest M's Memo 855-F/orgn. dt. 12.9.49 forwarding Forest office Mix case No. 176 of 1949-50 asking that throwing of dead bodies within the forest reserve between Sinam Leikai and Tarung Kabui Village may be prohibited.

H'ble Forest Minister will suggest a place in the area.

য়ু (কালৈ) য়োনহন্নবগী মতাংদা কাউন্সিলনা অসুন্না খন্নরি।

Council Resolution No. 17 of 19.1.49:

17: To consider Home M's Memo No. 8722-GA. dt 8.1.49 forwarding report of Excise Dept. about Sekmai Liquor.

No. person can distill liquor (kaki) in both Hill and Valley unless they have paid Rs. 50/per Leirang per year and obtained a license for distilling from the state Excise Dept. For the present there will be two Retail Vendors one at Sekmai and one at Imphal Town. Sekmai Vendor will collect all that is distilled in Sekmai and Khurkhul.

The Imphal Vendor will collect from 5 miles area, Phayeng, Leimram and Koutruck. In case of shortage the Imphal Vendor may obtain his supply from retail vendor of sekmai on price fixed by the Excise Dept.

The Excise Dept. will appoint sub-vendor on obtaining annual licence fee in consultation with the Tatisildar and circle officers. The annual licence fee of Rs. 100/- will be charge from such sub-vendor. They will be supplied by either of the two vendors. The amount of profit they are to receive will be fixed by the Excise Dept.

The annual licence fees for the whole sale and retail vendor will be Rs. 1200 per year. They will further provide security deposit of Rs. 15000 per year.

The price of country liquor is fixed for the present at the rate of Rs 1/2/per quart bottle for the retail vendor.

The price to be sold to the customers will Rs. 2 per quart bottle.

The state will realese at the rate of ten (10) per quart bottle as for the share of the project of the retail vendor and sub vendor. The Excise Dept. will fix from time to time.

The scheme will be introduced w.e.f. 1.3.49. The Excise Dept. will take necessary arrangement to effect them. The eight of the retail Vendorship from 1.3.49 - 31.6.49 will be disposed of by auction.

The strength of the Manipur Liquor should be 30.0.U.P. for human consumption.

# তোম্পোক, বিরেন সেভিং থিওরি

- এন তোম্পোক -

**‘তোম্পোক, বিরেন সের্ভিং’** থিওরি অসি হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা রাইটর ঐহাক্না ফোঙদোকচনীংবদি, ইজরিবা সেভিং থিওরি অসি শুপ্নতগী রাইটর ঐঙোন্দা ফাওবা ৱাখল্লোন অদু মীয়ামদা স্যের তৌজবনি। ইজরিবা সেভিং থিওরি অসি স্কিম অমা ওইনা নৎত্রগা প্রোজেক্ট অমা ওইনা লৈঙাক্না পায়খৎপীদবা য়াদে হায়বগী ৱাফম লৈজদে। অদুবু করিগুম্বা লৈঙাক্না য়াবীদুনা সেভিং থিওরি অসিবু স্কিম অমা ওইনা নৎত্রগা প্রোজেক্ট অমা ওইনা পায়খৎপীরবদি লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন্দা য়াম্না চাউনা মতেং পাঙবদা নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম পূন্নমক্তসু য়াম্না কান্নগদ্রা হায়না খঞ্জরগা হায়রিবা সেভিং থিওরি অসি মীয়ামদা স্যের তৌজবনি। লোয়না-লোয়ননা থিওরি অসিদা ইরিবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অসি করিগুম্বদা লানখিবা-শোয়খিবা লৈরবসু অপঙবা নচানি-ননাওনি খন্দুনা ঙাকপীগনি অমদি শেমদোকচবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা পীগনি।

থিওরি অসি তোম্পোক, বিরেন সেভিং থিওরি কৌবগী মরমদি, থিওরি অসিবু ইরিবা রাইটর অসি তোম্পোক কৌই অদুগা থিওরি অসিবু স্কিম অমা ওইনা নৎত্রগা প্রোজেক্ট অমা ওইনা পায়খৎপদা মণিপুরগী হৌজিক হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইবিরিবা মীং ওইনা পঞ্জরবদা ইকায়খুম্নজরিবা নোংথোম্বম বিরেনগী অচৌবা মতেং অমা লৈ। মরম অসিনা থিওরি অসিবু ‘তোম্পোক, বিরেন সেভিং থিওরি’ হায়না কৌরিবনি।

- থিওরি অসিবু স্কিম অমা ওইনা ওন্থোক্লবদি লমদম অসিগী মীওই কয়া অমদা শেলগী মতেং তৌবা ঙমগনি অমদি লমদম অসিগী ইকোনোমি ফগৎলকপদসু য়াম্না চাউনা মতেং তৌগনি।

- হায়রিবা সেভিং থিওরি অসি ঐখোয়না অরেম্বদা অচৌবা শেল কয়া অমা মাঙহনগদবদগী কনবা থিওরিনি।

- রিছোর্সেস মরাং কায়না লৈজদবা ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনদি হায়রিবা সেভিং থিওরি অসিনা অচৌবা শেন্মীৎলোন অমা শেমগৎপদা য়াম্না চাউনা মতেং পাঙগনি।

মণিপুর মহৌশানা হরাউ-কুম্মৈ অমদি দেব-কর্ম্ম মরাং কায়না লৈবা লৈবাক অমখকনি। মরম অসিনা কান্নদবদা মীরমদা চহী খুদিংগী অচৌবা লুপা লাক্ষ/ক্রোর অমগী শেনফম চাদিং তৌথোক্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা - দিৱালিগী মতমদা মীওই কয়া অমনা মৈকাপী অমদি বম্বুলাদা লুপা লাক্ষ কয়া অমা মাঙহন্দুনা মীরমদা শেল চাদিং তৌথোক্লি। থিওরি অসিনা হায়নীংলিবদি ঐখোয়না হরাউ-কুম্মৈ অমদি দেব-কর্ম্মবু মীরাইসি হায়বগী ৱাফম নত্তে, মফম অসিদা হায়নীংলিবদি ঐখোয়না দেব কর্ম্ম অমদি হরাউ কুম্মৈদা খূৎচাউ থাবগী চৎন-কাঙলোন অসি খরা মখৈদি থাদোক্লসি হায়বনি।

- অমরোমদা লমদম অসিদা চৎনবী অমা ওইনা চৎনরক্লিবা চহী খরা অসিদা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী, অহল-অঙাং খাক্তনা মরুওইনা মৌনহা কয়া অমনা অয়ূক হেক নোংঙাল্লকপদগী হৌরগা নুমিদাং তূম্বা ফাওবা চানরিবা হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইরবা ‘ক্বা’ হায়রিবা ফৎত্রবা চিঞ্জাক অসিদা মণিপুরনা নুংতিগী মীরমদা লুপা লাক্ষ কয়া কয়া অমা এক্সপেন্দিচর তৌথোক্লি। তৌথোক্লিবা এক্সপেন্দিচর অসিবু থিওরি অসিগী কান্নবা লৌরবদি মাঙখিগদ্রবা শেনফম ময়াম অদুবু হাপ্তা অমগী মনুংদা নোংমতা ওইরবসু কান্নবা ঙমগনি।

খুদম অহুমতংগা, কালকুলেসন অহুমতংগা য়েংসি :

**কালকুলেসন ১. একজাম্পল ১. (ক্বা চাবা মীওই)**

মী অমনা নোংমদা ক্বা চাথোক্লিবা শেনফম অসি য়ামদ্রবদা লুপা ২০নি।

- হায়রিবা ক্বা অসি য়ামদ্রবদা মীওই লাক্ষ অমনা নোংমদা চারবদি - 20 x 1,00,000 = Rs. 20 Lakhs.

- হাপ্তা অমদদি = 2000000 x 7 = 1,40,00,000.

কালকুলেসন অসিনা খঙলে মদুদি মণিপুরদা লৈরিবা ক্বা চাবা মীওই লাক্ষ অমনা হাপ্তা অমদা লোইশিল্লিবা শেনফম অসি 1 crore 40 lakhs thousand নি। মদুসু হায়রিবা শেনফম অসি ঐখোয়গী লমদম অসিগী ইনকম (আই) দা হাপকদবা নত্তে মীরমগী আইদা হাপতোকখিবা শেনফমনি।

**কালকুলেসন ২. একজাম্পল ২ (তলপ চাবা, চুরুট থকপা, গঞ্জা অমদি খৈনি উন্বা মীওই)**

- তলপ চাবা মী অমনা নোংমদা তলব চাথোক্লিবা শেনফম অসি য়ামদ্রবদা লুপা ২০নি।
- মীওই লিশীং ৫০০০০না চারবদি নোংমদা = 50000 x 20 = 10,00,000 নি।
- হাপ্তা অমদদি = 10,00,000 x 7 = Rs. 70,00,000 নি।

**কালকুলেসন ৩. একজাম্পল ৩ (অচাপোৎ চাবা মহৈরোয়)**

- মহৈরোয় অমনা হকচাংদা করিসু কানবা ফংদ্রবা অচাপোৎ/চিঞ্জাক্তা মাঙহল্লিবা শেনফম অসি য়ামদ্রবদা নোংমদা লুপা ১০নি।
- মহৈরোয় লিশীং ৫০,০০০না চারবদি নোংমদা = 50,000 x 10 = Rs. 5,00,000নি।
- হাপ্তা অমদদি = 5,00,000 x 7 = Rs. 35,00,000

কালকুলেসন অহুম অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্লে মদুদি লৈবাক অসিনা হকচাংদা কান্নদবা চিঞ্জাক খরদা হাপ্তা অমদা লুপা ২,৪৫,০০,০০০ এক্সপেন্দিচর তৌরি।

অদুবু মথক্তা পনখিবা শেনফমশিং অসি অরেম্বদা মীরমদা এক্সপেন্দিচর তৌথোকখিবগী মহুত্তা থিওরি অসিগী কান্নবা লৌরবদি শেনফমশিং অসিবু সেভিং তৌদুনা মীয়ামদা য়াম্না চাউনা মতেং তৌগনি। লোয়ন-লোয়ননা মৈগী ওইবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা দিৱালিগী মতমদা মীওই অমনা য়ামদ্রবদা লুপা ২০গী বম্বুলা নৎত্রগা দিৱালি খাওবদা থাদোক্তুনা অরেম্বদা এক্সপেন্দিচর তৌথোক্লি।

- হায়রিবা কুম্মৈ অসিদা মী অমনা - লুপা ২০ এক্সপেন্দিচর তৌথোক্লবদি
- মী লাক্ষ ১০নদি = 10,00,000 x 20 = 2,00,00,000 core এক্সপেন্দিচর তৌথোক্লি।

কালকুলেসন অসিনা খঙবা ঙম্লে মদুদি ঐখোয়না কুম্মৈ অসিগী মতমদা মাঙহল্লিবা শেনফম অসি য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ২নি।

অমরোমদা লমদম অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ‘নিংঙোল চাক্কৌবগী’ মতমদা মী অমনা চাক্কৌবা চৎপদা শেল য়াম্না তিংথোক্তুনা খূৎচাউ থাবগী চৎনবী অমা লাক্লি।

খুদম ওইনা নুমিৎ অসিদা নিংঙোল অমনা য়ামদ্রবদা ময়ূমদা চৎপদা লুপা ৬০০কী চান-থক্নবা পোৎচৈ পুরি।

নুপী লাক্ষ ৫নদি = 600 x 500000 = Rs. 30,00,00,000 নি।

কালকুলেসনশিং অসিদগী ঐখোয়না খঙলে মদুদি মণিপুরনা চহী অমদা দেব কর্ম্ম অমদি তোঙান তোঙানবা কুম্মৈ কয়া অমদা শেঞ্জাউ অমা চাদিং তৌবগী হৈনবী লৈরি।

মফম অসিদা থিওরি অসিনা পীনিংলিবা পাউজেলদি, ঐখোয়না দেব কর্ম্ম অমদি তোঙান তোঙানবা হরাউ কুম্মৈ কয়া অমবু মীরাইসি হায়বগী ৱাফম নত্তে, থিওরি অসিনা হায়নীংলিবদি ঐখোয়না নুমিৎশিং অদুদা এক্সপেন্দিচর তৌরিবা শেনফমশিং অদুদগী শুপ্নতগী লুপা ১০/১০ দং সেভিং তৌশিন্দুনা ইশা ইশাগী পুন্সি অমদি লৈবাক অসিগী অচৌবা শেন্মীৎলোন অমা শেমগৎপদা ঐখোয় পূন্নমক্না মতেং পাঙসি হায়বনি।

**খুদম ওইনা হায়রবদা :**

১) ঐখোয়না নোংমদা চাথোক্লিবা ক্বাগী শেনফম অসি লুপা ২০ চাথোকপগী মহুত্তা লুপা ১০ অমা চাথোক্তুনা অদুগা লুপা ১০ অমনা সেভিং তৌসি হায়বনি। অসুন্না তৌরগদি নোংমদা লুপা 10 x 1,00,000 = 10,00,000 সেভিং তৌবা ঙমগনি অদুগা হাপ্তা অমদনা লুপা ৭০,০০,০০০ সেভিং তৌবা ঙমগনি।

২) ঐখোয়না তলবতা লুপা ২০ এক্সপেন্দিচর তৌবগী মহুত্তা লুপা ১০ এক্সপেন্দিচর তৌরবদি নোংমদা ঐখোয়না য়ামদ্রবদা লুপা লাক্ষ ৫ সেভিং তৌবা ঙমগনি অদুগা হাপ্তা অমদনা লুপা লাক্ষ ৩৫ সেভিং তৌবা ঙমগনি।

৩) মহৈরোয় অমনা নোংমদা লুপা ১০ চাথোকপগী মহুত্তা লুপা ৫ চাথোক্লবদি নোংমদা লুপা লাক্ষ ২,৫০,০০০ সেভিং তৌবা ঙমগনি অদুগা হাপ্তা অমদনা লুপা লাক্ষ ১৬,৫০,০০০ সেভিং তৌবা ঙমগনি।

- অসুন্না ঐখোয়না লোইশিনগদবা নেফমশিং অদুদগী খরা-খরা সেভিং তৌশিল্লবদি নোংমদা লুপা লাক্ষ ১৭,৫০,০০০ সেভিং তৌবা ঙমগনি অদুগা হাতা অমদনা ক্রোর ১ লাক্ষ ২১ লিশীং ৫০ সেভিং তৌবা ঙমগনি।

- কালকুলেসন অসিদগী ঐখোয়না আশা তৌবা য়াই মদুদি, মণিপুরগী অপূনবা মীওই মশীং লাক্ষ ৩০মুক্কী মনুংদা ক্বা চাবা, তলপ চাবা অমদি অচাপোৎ চাবা হায়না মীওই লাক্ষ ২দা য়ূম্ফম ওইরগা, মখোয় মীওই লাক্ষ ২না নোংমদা লুপা লাক্ষ ১৭কা লিশীং ৫০ সেভিং তৌবা ঙম্মী অদুগা হাপ্তা অমদনা ক্রোর ১, লাক্ষ ২১গা লিশীং ৫০ সেভিং তৌবা ঙম্মী।

(এন বি : অদুবু থিওরি অসিদি মীওই লাক্ষ ১০দা য়ূম্ফম ওইবা থিওরিনি)

অসুন্না ঐখোয়না নোংমদা মাঙহনগদবা লুপা লাক্ষ কয়া অমগী শেনফম কয়া অমা, থিওরি অসিনা কনবা ঙমগনি অমদি লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা য়াম্না চাউনা মতেং তৌগনি।

**থিওরি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমদি প্রুফ অমুক য়েংসি :**

তোম্পোক, বিরেন সেভিং থিওরি (ষ্টেটমেন্ট) : লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা হায়বদি অঙাং ক্লাস ৱান কাবদগী হৌরগা চহী ৮০ শুরবা অহলফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা হাপ্তা অমগী মনুংদা নোংমা নৎত্রগা নোংমদগী হেন্না লুপা ১০/১০ মাগী মাগী একাউন্টতা সেভিং তৌশিনদুনা হাপ্তা অমগী নোংমাইজিংদা তুংশিল্লিবা শেনফম অদুগী তঙ্খাই অমা (৫০%) লোট্টরি লাউথোক্তুনা হাপ্তা অমদা মীওই ১০০ নৎত্রগা ১০০দগী হেনবদা লুপা ৫০০০০ নৎত্রগা লুপা ৫০০০০দগী হেনবদা অচৌবা শেনফম অমা কানবা পীগনি। অদুগা লোট্টরি অদুদা মায় পাকহৌদ্রবা মীওইশিং অদুগীদি অকক্ন বা চহী খরদা মখোয় মখোয়না সেভিং তৌখিবা লুপা ১০/১০ অদুনা অচৌবা শেনফম অমা শাগৎপা ঙম্মী অমদি অতেনবা চহী খরদা মীপূম খুদিংমক শেল পায়হন্দুনা থবক ফংদবগী, চাদ-থক্তবগী অমদি লাইরিক লাইশু তম্বদগী অৱাবা সমস্যা কোকহনবা ঙম্মী।

**প্রুফ :** ঐখোয় মীপূম খুদিংমক্না পান্মী মদুদি ঐখোয়-ঐখোয়না ফংলিবা শেনফম খরা অদুবু সেভিং তৌদুনা তুংদা লাক্কদবা অনা অয়েক, অঙাংগী লাইরিক-লাইশু তম্বা, লুহোং খোংদোংবা, দেব কর্ম্ম অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়া অমা লাকপদা তুংশিল্লিবা শেনফম অদুবু লৌথোক্তুনা মাগী মাগী অচিনবদা শীজিন্নবা। অদুবু ফংলিবা শেনফম অদুনা য়ামদবা অমদি নোংমদা/থাদা/চহীদা চৎকদবা শেনফম অদু য়াম্বা মরম্না য়াম্না চাউনা সেভিং তৌবা ঙমদে। অমরোমদা করিগুম্বা পীক্না সেভিং তৌরবসু অপীকপা শেনফম অদুনা থোইনা হেন্না কান্নদবনা মীপূম খুদিংমক পীক্না সেভিং তৌবগী অপাম্বা লৈতে। মরম অসিনা মী অয়াম্বা সেভিং তৌনীংলবসু তৌবা ঙমদে।

অদুবু হায়রিবা সেভিং থিওরি অসিনা অদুগুম্বা খুদোংচাদবা মীয়াম অমদগী নাম্থোকপা ঙমগনি অমদি মীপূম খুদিংমক পীক্না সেভিং তৌদুনা অচৌবা শেনফম অমা শাগৎপদা মতেং পাংবগা লোয়ন-লোয়ননা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোল ফগৎহনবদা ইশা-ইশাগী অচৌবা মতেং অমমম ওইগনি। হায়বদি সেভিং থিওরি অসিদা শুপ্নতংগী মী অমনা হাপ্তা অমগী মনুংদা লুপা ১০ নৎত্রগা ১০দগী হেন্না নোংমা নৎত্রগা নোংমদগী হেনবদা ইশাগী একাউন্টতা তুংশিনবিরগা হাপ্তা অদুগী নোংমাইজিং নুমিৎতা লোট্টরিগী খূত্থাংদা মীওই চামদা লুপা ৫০,০০০ মতেং পীগনি।

(খঙজীনবীগদবদি :- মতাং অসিদা হায়জনীংবদি লোট্টরি অসিদা মায় পাকহৌদ্রবা মীওইশিংগী ওইনদি পৈশাদু মাগী মাগী একাউন্টতা লেংদনা অদুম লৈগনি । অদুম ওইনমক মীওই অদুনা অসুম অসুম লোট্টরি অদুদা মায় পাক্লক্তবা, চহী ৫ নৎত্রগা চহী ৫ হেল্লক্লবদি মহাক্কী শেনফম অদুদা মহাক্না তৌরিবা শেনফম অদুগী মথক্তা পূন্না গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী তুংশিনজরিবা (হায়বদি লোট্টরিদা মায় পাক্তবগী পৈশা) সেভিং অদুদা হাপকৎতুনা লোনগী খুত্থাংদা মহাক্কী সেভিং অদু অমুক হাংদোক্তুনা কান্নবা পীগনি।)

- থিওরি অসি মীওই লাক্ষ ১০ অমদি লুপা ক্রোর ১দা য়ূম্ফম ওইদুনা হাপ্তা অমদা মী ১০০ অদুগা থা অমদনা মীওই য়ামদ্রবদা ৪০০দা লুপা ৫০,০০০গী মতেং পীবা য়ানবা পীরি।
- 1 member = Rs. 10
- 10 lakhs member = Rs. 1 core
- Total amount of lottery = 50 lakhs. (ie 50%)
- And remaining 50% is for government saving.

মথক্কী অসিনা ফোঙদোকনীংবদি লোট্টরি অসি মী অমনা স্যের অমা য়াওবদা লুপা ১০ ওইগনি। লোট্টরি অসি মীওই লাক্ষ ১০না শান্নগনি অদুগা লোট্টরি অসিগী অপূনবা শেনফম লুপা লাক্ষ ৫০ ওইগনি হায়বনি।

অমরোমদা, লেমহৌরিবা ৫০%গী শেনফম অদুনা লোট্টরি অদুদা মায় পাকহৌদ্রবা মীওই কয়া অদুনা মখোয় মখোয়না তুংশিঞ্জরিবা শেনফম অদুনা য়ূমদ্রবদা লুপা ২৪০০০ শুরক্লবা মতমদা হায়বদি মী অমনা হাপ্তা খুদিংগী লুপা ১০/১০ তুংশিন্দুনা মী অমনা চহী ৫ চূপ্না তুংশিনবদা মী অদুগী তুংশিল্লিবা শেনফম অদুগা লৈঙাক্না লোনগী মতেং পীবা হৌগনি, মাগী মাগী থারক্লিবা লোন অদুগী মখা পোন্না।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬২

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি থায়না কোনুংদা লৈরম্বা লোইশঙ অনীগী মমিংনি। মথৌ করি করিনো? তেন্না হায়য়ু : (ক) চৈরাপ (খ) গারোৎ।

২। “সনামহী ঙৌবরেন/ফূহিং সনা লাইজরেন/শনজিং ফম্বাল মহীরেন।” পরেংশিংসি লাইনিংহল ফুল্লোগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৩। কুমজা ২০০৩দা ঐখোয়গী খোরিরোলদা নেপালি অইবা অমনা ‘কোরৌগী মশেক মঙাল’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা খুদোল তম্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “মুতুম দেবলাগী ‘রোমিতা’ না থেংনরিবা সমস্যাসি হৌজিক্কী অনৌবা নুপীগী সমস্যানি।” ৱাফমসি ক্রিটিক অমনা হায়বনি। দেবলাগী উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। কুমজা ২০১১দনা ত্রাইবেল অইবা অমনসু ‘ঈচেলনা কংলবদি কোঙ্গোলসু তাকখিনি” কৌবা শৈরেং লাইরিক অমসু পুথোক্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।